ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ০২, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৫৪শুবা মশীং

# মণিপুরদা ঈকং থোক্লে লাউথোকখিবা

## সেন্টরগী তেংবাং মীয়ামদা মতীক চানা ফংহন্নবা হোৎনহন্নিংই

নোংজুগী চাং কা-হেন্না হন্থরকপদগী লৌফম অয়াম্বদা লৌ উবা য়াদবগী ফীভম লাকখ্রবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে। হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা ষ্টেট কেবিনেটনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরবা মতুংদা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। মীফম অদুদা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা ব্লোক ৭০ রোমদা ঈশিং মরাং কায়না লৈতবদগী থোকহল্লকপা খূদোংচাদবশিং কুপ্না খন্নখি। কেবিনেট মীফম পাঙথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ময়াই তাঙবল লৌরগা কেবিনেট মিনিষ্টরশিং; এম এল এশিং, চীফ সেক্রেটরি, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর লোয়ননা ফাইনান্স, প্লান্নিং, রেভিন্যু, এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিং, দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং অমদি আই সী এ আরগী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা নোংজুগী চাং, মহৈ-মরোংশিংগী ফীভম অমসুং ৱাটর রিজার্ভরগী ফীভম রিভিয়ু তৌখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংনা পীখৎলকপা রিপোর্ট য়েংশিনখি। তুংদা কেবিনেট মীফম্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোক্লবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টতা খঙহনখি। সেন্টরদগী মথৌ তাবা তেংবাংশিং লৌনবা মেমোরেন্দম অমা শেম শারগা পীশিন্নবসু রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টতা খঙহনখি। হন্দক চহীদা নোংজুগী চাং কা-হেন্না ৱাৎপনা মরম ওইরগা চীংগী ব্লোক অয়াম্বদা খূদোংচাদবা মায়োক্লরবসু ফীভম খ্বাইদগী শোক্লিবসি তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদনি হায়রি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতুং ইন্না চয়োল অমগী মনুংদা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লগা মথৌ তাবা তেংবাং পূন্নমক পীবীনবা হায়জগদৌরি। মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (এগ্রিকলচর) এম জয়না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্কী দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিংনা পীখৎলকপা রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা ষ্টেট অসিদা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবনি। কেবিনেটকী ৱারেপ মতুং ইন্না থোকখিবা ওর্দর অসিগী মখাদা মরী লৈনবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরশিংদা মথৌ তাবা তেংবাংগী থবক থৌরমশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি। ঈশিং ফংদবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা খুঙ্গং ২৯৪৮গী মনুংদা খুঙ্গং ৭৩০দা চাদা ১০গী চাংদা মহৈ-মরোং মাঙ তাক্লে। চাদা ৩৩দগী চাদা ৫০ ফাওবা মহয় মরোং মাঙ-তাক্লবা খুঙ্গং মশীং ৪৯৭নি। খুঙ্গং ২৩৩ দনা চাদা ৫০ হেন্না মহয়-মরোং মাঙ তাক্লে হায়রি।

নোংগী ঈশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা লৌউ-শিংউগী থৌরাং লৌখৎলিবা লমদম অসিদদি নোংজুগী চাংদা অহোংবা খরা হেক লাকপা মতমদা লৌউ-শিংউগী থৌরাংদা অপনবা থোকপগা লোয়ননা মহয়-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরি। কুমজা ২০০৯ দসু নোংজুগী চাং হন্থরকপদগী ঈশিং মরাং কায়না ফংখিদবা মরম্না চহী অদুগী জুন ২৭ তা ঈকং থোক্লে হায়না ষ্টেট লৈঙাক্লা লাউথোকখি। মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লুচিংবা কেবিনেটকী মীফম অমনা ৱারেপ লৌরবা মতুংদা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকখিবনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগা মান্নবা মওংদা মতমদুদসু লৌ উবা য়াদবদগী লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ২.৭ পুথোক্লগা হেক্টর ১০০০ পাক চাউবা লৌফমদা লৌহোন হুল্লগা লৌ-উনবা থৌরাং লৌখৎখি। মতমদুদা লৈঙাক্লা ৱাটর পম্প ৩০০ লৈদুনা অমসুং টেম্পররি দাম ২০০ শাদুনা লৌফমদা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। লোয়ননা মথৌ লেপখ্রবা ৱাটর লিফ্‌ট ইরিগেসন প্রোজেক্ট কয়া নৌনা অমুক মথৌ তৌহন্দুনা লৌফমদা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনখি। মতমদুদা মীয়াম্না মায়োক্লখিবা ঈশিং ফংদবা অমদি চেঙ তাঙবগী অৱাবা পূন্নমক ঙসি ফাওবা কাউনদ্রি। মণিপুরগী ওইনা নোংজুগী চাং হন্থরকপা মতমদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলবসু মথং-মথং পাল্লক্লিবা লৈঙাক অমত্তনা হীরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদে হায়বা য়াই। তৌবু-তৌগে হায়রবদি চহী চুপ্পা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপা ইরায়-লায়না ঙম্ফম থোকই। কুম অমখক নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থমহৌবা মতমদা চহী কয়া নোং চুরক্ত্রবসু ঈশিংগী অৱাৎপা লৈগদবা মান্দে। য়ূমথোং খূদিংগী লন্নাই মীওইশিংনা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্নবা থৌরাং লৌখৎপদা খূদোং চাদ্রবসু লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা মফম কয়াদা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎতুনা থল্লবদি চহী চুপ্পা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লহন্দবা ঙমগনি খল্লি।

### এডিটরদা থারকপা চিঠি

## ফৌ কংদুনা মাঙগদৌরে, লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

পাঙ্গোং থোংগী মনিংদা লৈরিবা লৌকোন হায়বদি নহারুপ (মনিংগী শরুক খরা) কৈখু মুসলিম অমসুং কৈখু কবুই, গঙ্গাপাৎ হায়রিবা লৌকোনশিং ঈশিং পীনবা লৈরক্তদুনা ফৌ কংদুনা মাঙগদৌরে। লৈঙাক্লা অমসুং মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা পাঙ্গোংদগী আর এল আইগী মতেংনা ঈশিং পীনবা শিনবীয়ু, ঈশিং অসি পীবদা পাইপকী মথৌ তাদে, পম্পনা ইরিল তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎলগা খোংলম অসিদা থাদবা খক্তনি। খোংলম অসিদবু ঈশিং পীবা তারবদি মথক্তা পঙ্খিবা লৌকোনশিং অসি মরন্নাই পম্প সেট শীজিন্নদুনা খোংগা মনাক নকপা লৌফমশিংদা ঈশিং পীবা য়াই। হায়রিবা খোং অসিদা লৈরম্বা (হৈক্রু থোং মরীন ফাওবা) ঈশিং পূম্বা লৌমীশিংনা মরন্নাই পম্প সেট শীজিন্নদুনা ঈশিং চিংথোক্লখিবদগী হৈক্রু থোং পাৎ মরীন ফাওবদা লৈরম্বা ঈশিং পুমকং কংলে। নোং তারক্তবনা, লৌফমদা ঈশিং পীদবা তারবদি হান্না ফজনা হৌরম্বা ফৌ পূন্নমক কংদুনা মহয় চাররোইদ্রা হায়না লৌমীশিংনা মীপাইনরে। মরম অসিনা নহারুপ, কৈখু মুসলিম অমসুং বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধানশিং, জেদ পিশিং চুমশিন্নরগা নৎত্রগা ৱাটর রিছোর্স (জল শক্তি) অমসুং মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্টনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীয়ু। মদুগা লোয়ননা ইকায়খুম্নজরিবা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এনসু মীয়ামগী অৱাবা য়েংবীদুনা ইনিসিয়েটিভ লৌখৎপীরবদি অৱাবা অসি কোক্কনি থাজে। মরম অসিনা এ সী অসিগী মপি-মপা ওইবিরিবা এম এল এনা অথুবা মতমদা লৌমীশিংবু নুংশিবীদুনা মরী লৈনবশিংদা তকশিনবীদুনা কংদুনা মাঙগদৌরিবা ফৌশিং অসি ঈশিং পীবিদুনা থৱায় হাপ্পীবা তারবদি লৌমী মীয়াম্নসু অদোমগী তৌবীমল কাউফম থোক্তে হায়জনীংই।

*অদোমগী - মোইরাংথেম নরান, গঙ্গাপাৎ লৌমী লূপ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩

১। মীতৈ পুৱারীদা সনা হেরাচন্দ্রগী মিংদি মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি। ডাকু নিংথৌ হায়দুনা।
(ক) ইপুংসি হেরাচন্দ্র করম্বা মৈদিংঙুগী মচা ইবুংঙোনো?
(খ) অৱা লান্দুদা লৈবাক কায়বা হৌখিবদু ১৮১৯গী করি থাদনো?

২। "হেলোইনা মী পুই/মোইবুং খোংদুনা মীনা থিনৈ। অদুবু মাদি নুংঙাইরবা তাইবঙপান অমদা লৈ।" ৱাফম অসি এম কে বিনোদিনীনা হায়রম্বনি। করম্বা লাইরিক্তা হায়বনো?

৩। "ঐদি/ফনা নঙনা পেমচা ওইদুনসু/নত্তে ঐদি নঙগী বোরাচাউবা/পুরেম্বনি ঐদি ঙাঙ্খ্রৈলেমগী।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবা রনবীর শারুংবনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "হিংবা শিববু ঐখোয়গী খূত্তা লৈব্রা/ইশা ইথন্তা হেক্তা শিগদ্রা?" পরেংশিং অসিনা 'য়েন্নিংথাগী য়েন্নিং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "নুংশি করি ওইরসিগে/নুজা ৱাখল থেনমল্লি/নুংশি নশুং লাংগীদমক/কাইখরেনে ঐগী থম্মোয়।" পরেংশিংসি য়াম্না মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউ-খুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## ঈশিং অমদি পান্থীগী লায়না অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরী

**ডো. এম থোইথোই সিংহ**

অতৈ জীবশিংগুম পান্থীসু ঈশিং মথৌ তাই । অকংবা পান্থীগী শরুক কিলোগ্রাম অমা পুথোকপদা ঈশিং লিটর ৪০০-৫০০ ফাওবা চঙই। অদুবু পান্থীদা কাঙলোন লান্না অমসুং মতম চাদনা ঈশিং চনবনা পান্থীদা লায়না কয়া তাশিনবা ঙমহল্লি, পোথোক ফংদে। মরম অসিনা করম্বা পান্থীগী করম্বা তাঙ্কক্তা ঈশিং কয়া য়াম্না অমসুং করম্বা মওংদা পীগদগে হায়বা কাঙলোনশিংসু য়াম্না মথৌ তাই । লায়না ঙাকথোক্লবা হীদাক কাপ্পখক্তনা লায়না ঙাকথোকপা ঙমদে। তৌববুদি ঈশিং চনবগী চাং অমসুং কয়া য়াম্না তোয়না চনগদগে হায়বসি লৈবাক্কী মওং মতৌ (সোইল টাইপ), পান্থী মখল (ক্রোপস) অমসুং ঋতু (সিজন) গী মখা পোল্লি।

নোংগী ঈশিং নৎত্রগা পান্থীশিংদা ঈশিং পীবদা পান্থীগী মনা অমসুং অয়াম্বা পান্থীগী শরুকশিং চোৎলি। মফমদুদা লৈরম্বা কোকফাই মরূশিং হৌবদা খুদোং চাহল্লি। অতেনবা মতম খরগী মনুংদা লায়নাশিংদুগী লায়ওং উৎপা ঙম্মী। ঈনিলগী চাং নেম্বা মতমদা কোকফাই মরূশিং হৌবা ঙমদে (কোকফাই মখল খরখক নত্তনা) ঈশিং অমসুং পান্থীগী লায়না অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীশিং য়েংশিনবা চঙই।

খামেন অমসুং কালেন হৱাই মখলশিং ঃ খামেন অমসুং অঙনবা মতমদা পুথোক্লবা থানরিবা কোলি হৱাই, রাজমা হৱাইনচিংবা (বিনস) পান্থীশিংগী মখোঙ, লৈবাক্কা তায়নরিবা মফমশিংদা অঙৌবা কোকফাই হাইগৎলকপগা লোয়ননা পান্থীশিং খুইথরিবসি অয়াম্বনা ফৈদোম নেম্না চিং-খৎপা মফমশিংনি। ঈশিং খরা হেন্না থাজিনবা নৎত্রগা নোং খরা হেন্না তাখিবা অমসুং লৈবাক্তা চুপশিল্লবা ঈশিং চিথবা ৱাৎপদগী ওইগল্লি। ফৈদোম খরা হেন্না ৱাংনা চিংখৎপা, মথৌ তাবা ঈশিংদমক পীবা মফমশিংদদি লায়নাসি তাবগী চাং হন্থে।

লায়নাসিবু থোকহল্লিবা Selerotinia schlerotiorum সি নুমিৎ ১০ নি চোৎনা লৈবা (ফিল্ড কেপাসিটি) অমসুং ১০-১৪০ সেলসিয়সকী চাং য়ৌনা ঈংবা মতমদা লায়নাসি থোক্কল্লি। লায়নাসি white mould of brinjal & beans হায়না খঙনৈ।

লায়না অসি তারবা মফমসিদা Thiophanate methyle ৭০% গ্রাম ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা পান্থীগী মখোঙ অমসুং মনাক নক্লা লৈরিবা লৈবাকশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। থারমদাইদা মরূশিংদু Trichoderma harzianum 4g + 0.5 g Carbendazim মরূ কিলো খুদিংদা তোৎহৌগনি। Carbendazim সি কোকফাই হাৎনবা হীদাক ওইরবসু Trichoderma harzianum বু হাৎতে, পূন্না অদুমক শীজিন্নবা য়াই।

চুজাক ঃ চুজাক্কী মনা অমসুং মনাগী মখোকথংবা শরুকশিংদা মরাং-মরাং, মপাক-মপাক ওইনা লাংবা Rhizoctonia solani না থোকহনবা লায়নানি। মসি নোংলিকশিংনা লৈবাক্তা য়ৈরগা চোংখৎলক্লিবা ঈরিকশিংদা য়াওরকপা লৈবাক মকুপশিংদা কোকফাই মরূশিং পল্লকই। চোংখৎলকপা ঈরিক্লা পান্থীগী মখোক্তা নপখি অমদি লায়নাসি ইরায় লায়না শন্দোরকই।

ঙাকথোক্লবা পাম্বে ঃ হৌরবা মতুং নুমিৎ ৪০ নি শুবদা মখা থংবা মনাদু মকাগা কোন্ননা লৌথোকহৌগনি। মসিনা লায়নাদু মথক য়ৌনা শন্দোকপা ঙমহন্দে। ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা Propiconazole 13.9% + Defenoconazole 13.9% E.C. অনীগী অপূনবা হীদাক মিলিমিটর ১৫ য়ানশিল্লগা কাপথোক্কনি।

লফু ঃ মপান্দগী পুশিল্লকপা লফু পান্থীশিংগী মনাদা অপীকপা দাগশিং লৈরম্বদগী দাগশিং শমজিন্নরক্তুনা মনাগী মচি মচিদা কংবা মানবা Sigatoka নৎত্রগা লিফ স্পোট হায়না খঙনবা লায়নাসি ঈশিং ঈনিল ৱাংবা অমসুং খরা কুংনা থাবা মফমদা তোয়না থেংনৈ। কুংনবু থারবদি ঈশিং ঈনিল ৱাংই। নোং লাক্ত্রিঙৈদা লায়নাসি তারবা লফুশিং হীদাক কাপথোকপীহৌগদবনি। নোং লাকখ্রবা মতুংদদি কোকফাইসি মপাঙ্গল কনখৎলকই। হীদাক্লা লাকশিনবা ৱায়।

লায়নাসিগীদমক Propiconazole 25% নৎত্রগা Chlorothalonil নৎত্রগা Carbendazim 50% গ্রাম অমা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়াল্লগা মনাগী মথক মখা অনীমক চোৎনবা কাপথোক্কনি। মপুং ফানা চোৎনবা sticker মিলিলিটর ৫ ঈশিংদা য়ান্দুনা শেল্লবা হীদাক লিটর ১৫ খুদিংদা য়ালহৌগনি।

শিং ঃ নোং তোয়না তাবা অমসুং ঈশিং তোয়না চনবদগী লৈবাক্তা ঈশিং ঈনিল ৱাংবা অমসুং খরা শাগৎপা মতম হায়বদি ৩০০ C মুক শাবা মতমদা শিং মরূ পুম্বী (Rhizom rot) অমসুং মনা ঙাঙশিল্লগা কংবী লায়নাসি তোয়না তাই। লায়না অসি তাবা হন্থনবা খরা ঙল্লপ তৌবা ঈশিং তুংলোইদবা মফমশিংদা থাগনি। মণিপুর লৈতান লমনি। লৈতেম মান্নবা মফমশিংদা থাবা শিং অয়াম্বা মফমশিংদা লায়নাসি মায়োক্লগল্লি। থারমদাইদা থাগদৌরিবা শিং মনাওশিংদু Trichoderma harzianum নৎত্রগা T. hamatum তোৎহৌগনি।

ফৌ কম্বোং ঃ ফৌশাৎ তম্লকপা মতমদগী ফৌ মরূ চঙবা মতম ফাওবদা লৈচিল নোংফাই থাংবগা লোয়ননা নোং তোয়না তারবদি লায়নাসি তাবগী চাং ৱাংই।

ঙাকথোক্লবা পাম্বে ঃ Chlorothalonil (kabach) নৎত্রগা Mancozeb গ্রাম ২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা পান্থীশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। মসি নৎত্রগা Kocide ১০১ গ্রাম ১৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা কাপথোকপা য়াই।

খামেন অশিনবা অমসুং আলু ঃ পান্থীশিং অসিদা তাবা 'লেট ব্লাইট' মনা পথুবী লায়নাসিগী কোকফাই মরূশিং অসি নুংশিত্তা য়াওবা ঈশিং ঈনিলগী চাং ৱাংবা মতম (Relative Humidity 90%) অমসুং অইং-অশাগী চাং দিগ্রি সেলসিয়স ১৬-২২ ফাওবা লৈবা মতমদা লায়নাসি কল্লি। অদুবু রিলেটিব হ্যুমিডিটিনা চাদা ৮০ (Relative Humidity 80%) দা হেক হন্থখিবগা কোকফাই মরূশিং হৌবা ঙমদে। মরম অসিনা য়াম্না ঈংলিঙৈদা হীদাক কাপ্পা কান্নবা ৱাৎলি খজিক শাগৎপা নুমিৎয়ুংবা মতমদা হীদাক কাপ্পনা কান্নবা হেল্লি।

লায়নাসিগীদমক Mancozeb + Metalaxyl নৎত্রগা Mancozeb + Cymoxanil ওইনা পূন্না লাকপা হীদাক গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাগী মখা থংবা শরুকশিংসু চোৎনবা কাপথোক্কনি। মপূং ফানা চোৎনবা ষ্টিকর মিলিলিটর ৫ ঈশিংদা য়ান্দুনা শেল্লবা হীদাক লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানহৌগনি।

হৱাই থরাক্কী কোহ্লিং কাবী অমসুং কোকফাই অঙৌবা কাবী লায়না ঃ কোকফাইনা ঈশিং মনিল ৱাংবা মফমদা হৌগল্লবসু অকংবা মফমদা হৌগনবা কোকফাইশিংসু লৈরি। খুদম ওইনা হৱাই থরাক্কী কোহ্লিং কাবী অমসুং কোকফাই অঙৌবা কাবী লায়না হায়বসি অকংবা মতমদা তাই। ঈশিং ঈনিল ৱাংবা নৎত্রগা নোং তাবা মতমদা লায়নাসি তাগন্দে।

লায়নাসিগীদমক নোং তারবা মতুং নৎত্রগা ঈশিং চল্লবা মতুংদা Myclobutanil 10% গ্রাম ৬ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি নৎত্রগা Azoxytrobin (Amistar) মিলিলিটর ৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্কনি।

কোকফাই, বেক্টিরিয়া অমসুং তীলশিংনা শোন্থবা মতমদা হীদাক কাপ্পনা লায়না তীলনাবু লায়না লাকশিনবা ঙম্মী। ●

## ষণবীশিংদা য়াম্না তোয়না থেংনবা লায়না 'খোমদা হৌবা'

**ডো. সরাংথেম জেসমারানি**

ষণবীশিংদা য়াম্না তোয়না নাগনবা লায়না কয়াগী মনুংদা খোমদা হৌবা হায়বসিসু অমনি। লায়না অসি মরু ওইনা শঙ্গোম থোকপী ষণবীশিংদা নাগল্লি। হায়রিবা লায়না অসিনা নারক্লবদি শঙ্গোম থোকপগী চাংসু অসুক্কী মতিক হন্থে। মসিদসু নত্তনা শেল থুমগী ফীভমদা য়াম্না শোকহল্লি। ঐখোয়গী লমসিদসু লায়না অসিনা ষণবুশিংদা শেল থুমগী ফীভমদা য়াম্না শোকহল্লি। মরম অসিনা ষণ লোয়বীরিবা ষণবুশিংনা শেন্থোক লৈনা ষণ লোয়বীগে হায়রগদি লায়নাসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবীগনি।

**লায়না করম্না শন্দোরকই ঃ**

লায়না অসি বেক্টিরিয়া মখল কয়ামুক্লা থোকহল্লি । হায়রিবা বেক্টিরিয়া অসিনা শঙ্গোমদা য়াওরক্তুনা মদু চারুরগা মীওইবগী হকশেলদা ফাওবা অকায়বা কয়া পীরি। করিগুম্বা মতমদসু কোকফাই শুজা মখল খরনসু খোমদা হৌবসি থোকহল্লি। খোমদা হৌবসি ষণগোলদা লৈরিবা ষণবী অমগা অমগা লৌনরকপসু য়াই। মসিদসু নত্তনা অকোয়বগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবা, মোৎশিল্লক্লগা লায়না অসিসু লাকই। খোমদা হৌদুনা লৈরিবা ষণবীগী খোম নৎত্রগা খোমজিন্দা নপতুনা লৈরিবা মহীক ময়ামসিনা শঙ্গোম শুম্বা মতমদা ষণবী অমদগী অমদা শন্দোরকই । মহীকশিংসিনা ষণবীগী খোমজিন্দা, উনশাদা অমদি খোমজিনগী মরী মনুংদা পূন্না লৈদুনা লায়ওং অসি থোরকই। মসিদসু নত্তনা অকোয়বগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবা, মোৎশিল্লকপনসু হায়রিবা লায়না অসি থোকহল্লি। করিগুম্বা মতমদা ষণবীদুনা লৈরিবা ষণগোল অমদি মানা তূম্নবা থারিবা চরুশিংদু মোৎশিল্লক্লগদি লায়নাশিং শন্দোরকপগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিদসু নত্তনা ষণবী মশামকসু লূ-নান্না থম্বীবা মথৌ তাই। মোৎলগদি শঙ্গোম শুম্বা মতমদা খোমজিনগী মরীদা মহীকশিংদু চঙখিবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মহীকশিংসিনা চঙখ্রগা মচা মথং মথং পোকথোরক্তুনা মশীং য়ামখৎলকই। মহীকশিং অসিনা শঙ্গোম শুল্লিবা মীগী মখূৎ, ষণগোলগী চরু চনাই, লৈমায় অমদি ফক্লাংনচিংবদা পক্তুনা লৈহৌই। মসিদগী মশা ফবা ষণবীশিংগী শঙ্গোম থোরকফম মরীদা চঙখিদুনা লায়না অসি নারকপা য়াই অদুগা অমরোমদা মপুং ফানা শঙ্গোম শুমদোকপীহৌদ্রবা লেমহৌদুনা লৈহৌরগদি শঙ্গোমশিংদুনা থনজিল্লক্লগা খোমদা হৌরকপা য়াই।

**লায়নাশিংগী লায়ওং ঃ লায়নাসিগী লায়ওং অনী থোকপা য়াই-**

**(ক) লায়ওং উৎথোক্তনা খোমদা হৌবা ঃ**

করিগুম্বা মতমদা ষণবীগী মশাদা নাবগী লায়ওং অমতা উৎপা তৌদনা শঙ্গোম থোকপগী চাংসি চাদা ২০ মুক্কী চাংদা হন্থরকপা য়াওই। শঙ্গোম অদু চাংয়েং তৌবা মতমদা খোমদা হৌবগী মহীকশিং য়াওবা থেংনৈ। মসিবু লায়ওং উৎতবা খোমদা হৌবা হায়না খঙনৈ।

**(খ) লায়ওং উৎথোক্তুনা খোমদা হৌবা ঃ**

মসিদা মখল অহুম থোক্লা খাইদোকপা য়াই-

অহানবদা য়াম্না থুবা মওংদা নারকপগী লায়ওং ঃ

অহানবা হৌরকপদা মশা নীল্লকপা, মশা শাগৎলকপা, লাইহৌ হৌরকপা, নুংশা শ্বর নীংথিনা হোনবা ঙল্লক্তবা, চানিং থক্লিংবা ফাওরক্তবা, শগুপ শাইরক্তবা, শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপা, মখোমগী শরুক অমা নৎত্রগা লোয়নমক ঙাঙশং ঙাঙনা চাউথোরকপা, ফোং ফোং শাগৎলকপা, শোকপদা য়াম্না নাবা ফাওবা থেংনৈ। ষণবুনা নারিবা ষণবীদুগী শঙ্গোম শুমদোক্লগা য়েংবদা নাপু মচু মানবা অরাংবা মহী মরক্তা অঙৌবা মপং মচেৎ মচেৎ য়াওবা থেংনবীগনি।

**অনীশুবদা খরা হন্থবা/তপথবা মওংগী লায়ওং ঃ**

লায়না অসি খঙহৌ হৌরকপদি নত্তে, শঙ্গোম শুম্না শুম্না নারক্কনি। শঙ্গোম শুম্বা মতমদসু ষণবীদু বেরা তৌবা থেংনগনি। শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থগনি। চাবা থকপদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে। ষণবুনা অহানবা শুম্বা শঙ্গোমদুদা মপং মপং মচেৎ মচেৎ য়াওবা থেঙনগনি। মতুং তাবদা শঙ্গোমগী মচুদু নাপু মচু মাল্লপ তৌবা নৎত্রগা ঙাঙলৈননা উগনি। হায়রিবা মতমসিদা শঙ্গোম থোকপগী চাংদি হান্নদগী হন্থগনি।

লায়না অসিগী লায়ওংদি থোইদোক্লা চীকপা নাবা লৈতে। য়াম্না তপ্না মতম চঙনা মখোমগী শরুক খুদিংমক খজিক খজিক চাউখৎলকপা উগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম থোকপগী চাংসু অসুম অসুম হন্থরক্কনি। শঙ্গোমগী মচুসু নাপু মচু ওইরকই। করিগুম্বা মতমদা মপং মপং নৎত্রগা অঙৌবা মচেৎ মচেৎ য়াওবসু থেংনৈ। শঙ্গোমগী মনমসু নমথীরকই। চৈনাখোল য়াওদনা তপ্না তপ্না খোম অমদি খোমজিনশিং চাউখৎলকই অমদি শঙ্গোম থোকপগী চাং হন্থরকপসিনা ষণবীদা খোমগী টি বিনা নারকপগী খুদমনি হায়না লৌবা য়াই।

**লায়না খঙদোকপা অমদি ঙন্না লায়েংবীহৌবা ঃ**

ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীশিংদু মতম অয়াম্বদা নীংথিনা শেন্নবীগনি। খোমদা হৌবগী লায়ওংশিংসি নীংথিনা খঙজিনবীদুনা হেক হৌরকপগা খঙদোকপা য়াম্না মরু ওই। লায়ওংশিংদগী লায়না অসি নারে হায়বা খরমখৈ খঙলবসু চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক শঙ্গোমদু খোমজিন মরীদগী তোঙান তোঙানবা পাত্রদা মশক খঙনা হাপ্পীদুনা শঞ্জেনথোংদা লৈরিবা ডি আই লেবতা চাংয়েং তৌবীগনি। করিগুম্বা ষণবুদুগী ষণবীদু খোমদা হৌদুনা নাবা তারগদি য়াম্না ঙন্না লায়েংবীহৌবনা ফৈ। মনাক নকপা ডাক্তর অমা কৌবিদুনা লায়েংবীগনি। অহানবা লায়েংগী ওইনা ঈশিং অশাবনা হীগা য়ৈবিবা খ্বাইদগী ফৈ। শঙ্গোমশিং য়ারিবমখৈ লোয়না শুমদোকপীগনি। খোমজিন্দা অশোক অপন য়াওরবদি লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংদা এন্টিসেপটিক হীদাক হাপ্লগা চামথোকপীগনি অমদি খোমজিন খোমজিন্দা এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবীগনি।

**ঙাকথোক্লবা মরু ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং ঃ**

খোমদা হৌবসি মরু ফংনা মুথুৎপদি ঙমদে। শা-ষণদা অতৈ অতোপ্পা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা অমদি নারক্তনবা মতম মতমগী ওইবা টিকা থানৈ অদুবু খোমদা হৌবগী ওইনদি মসিদগী ঙাকথোক্লবা নৎত্রগা নারক্তনবা অকক্লবা টিকা লৈতে। মরম অসিনা ষণবুশিংনা লায়না অসিদগী নারক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌবীরগদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমই। চেকশিন থৌরাং লৌবিনবা মখাদা থমজরি ঃ

১) ষনগোল অমদি অকোয়বগী মফম পূন্নমক নীংথিনা লূ-নান্না থম্বীগনি।

২) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা শঙ্গোম হাপকদবা পাত্রা খুদিংমক শেংদোকপীদুনা থম্বীগনি।

৩) শঙ্গোম শুম্বীগদৌরিবা মীদুগী মখূৎ মশা শেংনা হামদোকপীগনি অমদি অনানবা ফীরোল শেৎপীগনি।

৪) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা ষণবীদা পক্লিবা অমোৎ অকায় পূন্নমক তৈথোক চামথোকপীদুনা লূ-নান্না থম্বীগনি।

৫) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙ অমসুং মতুংদা খোয়জিন্দু এন্টিসেপটিক য়াওবা ঈশিংনা শেংনা চামথোকপীগনি।

৬) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা খোমজিনশিংদু ঈশিং অফবনা শেংনা চামথোকপীদুনা অনানবা ফী অমনা শেংনা তৈথোকপীদুনা থম্বীগনি।

৭) শঙ্গোম শুম্বা মতমদা শেংনা অমদি লোইনবা শুমদোকপীগনি। করিগুম্বা অনাবা খোমজিন য়াওরগদি মদু অতোপ্পা পাত্র অমদা ইকোন কোন্না শুমদোকপীগনি।

৮) খোমজিনশিংদু য়ারিবমখৈ চেখাইবা/তৎপা/শোক-পনবা থোকহনবীরোইদবনি। মসিনা হয়িং তোংবগী চাং ৱাংহন্দুনা খোমদা হৌহনবদা অচৌবা মতেঙ পাঙই।

৯) ষণবুশিংবু য়াম্না তোয়না য়েংশিনবীবা মথৌ য়াম্না তাই। লোয়ননা শঙ্গোমগী মচুদু অওনবা লাকপা উরবদি মনাক নকপা ডাক্তর অমগা তান্নবীদুনা মতম চানা লায়েংবীগনি।

১০) ঈশিং য়াম্না তুংনা লৈবা মফম অমদি হয়িং মরাং কায়বা ষণজাবুংদা শজীক চাহনবীরোইদবনি।

১১) ষণবীনা মখোম খাইখ্রবা মতুংদা খোমদা হৌরক্তনবা খোমজিন খুদিংদা এন্টিবাইওটিক্স কাপ্পীগনি।

১২) অশোক অপন য়াওবা খুদিংমক খুদক্তা হীদাক লাংথক শীজিন্নবীদুনা লায়েংবীগনি।

অসুম্না ষণবুশিংনা মশাগী ষণবীশিংদু খোমদা হৌবগী লায়ওং নীংথিনা খঙহৌবগা লোয়ননা ঙন্না লায়েংবীহৌরগদি অমাঙবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোম অমদি ষণশিং লূ-নান্না থম্বীবা মথৌ তাই। মসিদতা অফবা শঙ্গোম পুথোক্তুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ঙমগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।